# ইন্দিয়াগী ২০১৮ কমনৱেল্থ গেমসকী মেদলিষ্টশিংনা বর্মিংঘমদা অমুক হন্না হিষ্টরি বূকতা য়াওহন্নবা শেম শাখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ২৬ (এজেন্সী): কোভিদ পেন্দমিকনা থেংথনা পাঙথোকহনখিবা ২০২১ ওলিম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স পীখ্রবা মতুং বর্মিংঘমদা পাঙথোক্কদৌরিবা কমনৱেল্থ গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী এথলিট ২০০না মেদলগীদমক শেম শাবা লোইখ্রে।

গোল্ড কোষ্টতা ২০১৮দা পাঙথোকখিবা কমনৱেল্থ গেমসতা ইন্দিয়াগী এথলিটশিংনা পূন্না মেদল ৬৬ লৌদুনা অহুমশুবা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স পীবা ঙমখি। হন্দক্কী ইদিসন অসিদা ইন্দিয়াগী কন্টিঞ্জেন্টকী মরক্তা থোইদোক-হেন্দাক্না টেলেন্টেদ লৈরবা এথলিট কয়া অমা য়াওবগা লোয়নননা তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংদা অমুক হন্না হিষ্টরি বূকতা য়াওহন্নবগী খূদোংচাবা অমা পীরগনি।

ইন্দিয়ন কন্টিঞ্জেন্ট অসি নহা ওইরিবা অমদি এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয়শিং পূন্না য়াওবা অফবা টিম ওইরি। মসিগী মরক্তা শান্নরোয় খরদি কমনৱেল্থ গেমসতা অহানবা ওইনা শরুক য়াগদৌরি।

২০১৮ ইদিসনগী কমনৱেল্থ গেমসকী রেষ্টলিং মশান্নদা ইন্দিয়ানা গোল্ড ৫, সিলভর ৩ অমদি ব্রোঞ্জ ৪ পূন্না মেদল ১২ ফংবা ঙমখি। ২০২২ ইদিসন অসিদা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর ১২না শরুকয়াবগী মনুংদা ওলিম্পিক ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট বজ্রং পুনিয়া, গোল্ড কোষ্টকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট দিভিয়া কারন অমদি সাক্সি মালিকনচিংবা য়াওরি।

বেদমিন্টন মশান্নগী ওইনা ২০১৮ গোল্ড কোষ্ট গেমদা গোল্ড ২, সিলভর ৩ অমদি ব্রোঞ্জ ২ পূন্না মেদল ৭ ফংবা ঙমখি। চহী অসিগী ওইনা শান্নরোয় ১০না শেন্বা ইন্দিয়াগী স্কৱাদকী মনুংদা মমাংগী ইদিসনদা মায় পাকখিবা কিদম্বী স্রিকান্থ, পি ভি সিন্ধু অমদি অতোপ্পা প্লেয়রশিং শরুক য়ারি।

বোক্সিং মশান্নগী ওইনা ইন্দিয়ানা গোল্ড ৩, সিলভর ৩, ব্রোঞ্জ ৩ পূন্না মেদল ৯ ফংবা ঙমখি। চহী অসিগী ওইনা মেম্বর ১২না শাবা ইন্দিয়াগী বোক্সিং টিমগী মনুংদা অমিট পনঘল, ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন নিখট জরিন, ওলিম্পিক ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট লভলিনা বোর্গোহেন অমদি অতোপ্পা বোক্সরশিংনা ইন্দিয়াগী ওভরওল মেদল টেলিদা মতেং পাংনবা শেম শারি।

টেবল টেন্নিস মশান্নগী ওইনা ২০১৮ গেমসতা ইন্দিয়ানা পূন্না মেদল ৮- গোল্ড ৩, সিলভর ২ অমদি ব্রোঞ্জ ৩ ফংবা ঙমখি। মেম্বর ৮না শাবা ইন্দিয়া টিমনা মখোয়গী মমাংগী পর্ফোর্মেন্সতগী হেন্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স পীদুনা মেদল টেলি হেনগৎনবা শেম শারি।

ৱেথ লিফটিং মশান্নদা ইন্দিয়ানা মমাংগী ইদিসনদা গোল্ড ৫, সিলভর ২, ব্রোঞ্জ ২ পূন্না মেদল ৯ ফংবা ঙমখি। মিরাবাই চনুনা লুচিংবা মেম্বর ১৫না শাবা ৱেথ লিফটিং টিম অসিনা মেদল মশীং হেন্না ফংনবা পান্দম থল্লি।

মহারাজকুমার ঘনেন্দ্রজিৎ সুপর দিভিজন লীগ

# অংথা এফ সীনা ঈ এস য়ু ৱাঙ্খৈ মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী এদহোক কম্মিটিনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা মহারাজকুমার ঘনেন্দ্রজিৎ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা অংথা এফ সীনা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ঈ এস য়ু) ৱাঙ্খৈবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

অংথাগী টি সুর্জকান্তনা শান্নবগী ২৭ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখিবগা লোয়নননা ৱাঙ্খৈ টিমবু ১-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অংথা টিমগী খূদুম চনবা মখা চথরকপা ওইনা মেটচ লোইরমদাই এস কফোইনা শান্নবগী ৮২ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি এন অমজিৎনা ৱাঙ্খৈগী শান্নরোয় ৩- এম পৈথেম, কে ঐচ নন্দকিশোর অমদি থাংগৌলেন শান্নবগী ৫৮, ৬০ অমদি ৭২ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এস এস সী পোরোম্পাৎ অমদি পি ৱাই এ কাইরং ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

টিম অনীমক অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি। অনীশুবা হাফকী শান্নবদা কাইরংগী পি এম রিকি ভৈচেনা শান্নবগী ৫৫ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা খায়িনমিনা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা ইক্কেলাইজ গোল চনশিন্দুনা ১-১দা দ্রো ওইখি।

মেটচ অসিদা রেফরি কে অজিৎকুমারনা কাইরংগী এম দি রসিদপু অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা অদুগা এস এস সীগী এম দি সজিদ খানবু শান্নবগী ৬৬শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা শগোলশেল নুমিৎতা অয়ূক পুং ৮দগী হৌদুনা মেটচ ৪ শান্নরগনি।

এ দি সী চান্দেল ট্রোফি সুপর দিভিজন লীগ

# কপাম দি সী অমদি লিৱা খুল্লেন দ্রো ওইখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন চান্দেলনা শীন্দুনা চথরিবা এ দি সী চান্দেল ট্রোফি সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি লিৱা সৱৈ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা পুল এগী মেটচ অমদা কপাম দিভলপমেন্ট ক্লব অমদি লিৱা খুল্লেন য়ুথ ক্লব ২-২দা দ্রো ওইখ্রে।

অতোপ্পা পুল বিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ন্যু ৱাংপরেল য়ুথ ক্লবনা তাম্পী ফুটবোল ক্লবপু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

কপাম অমদি লিৱা খুল্লেন অনীনা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি।

কপামগী বিদিনপারনা শান্নবগী ৫১ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৬০ শুবা মিনটতা কপামগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি।

লিৱা খুল্লেনগী গোল অনী অদুনা লরফাঙমনা শান্নবগী ৫৯ শুবা মিনটতা অদুগা বেশাংঙমনা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী শান্নবগী ৭১ শুবা মিনটতা গোল অমমম্ চনখি।

মেটচ অসিদা রেফরি অটলিনা কপামগী মোরেনথার, রিংশাংঙম অমদি বেশিলোং শান্নবগী ২, ২০ অমদি ৫৮ শুবা মিনটতা অদুগা লিৱা খুল্লেনগী লরফাঙমনা শান্নবগী ৫শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

ন্যু ৱাংপরেল অমদি তাম্পী ফুটবোল ক্লব অনীনা শান্নখিবা মেটচতা নোইলনা শান্নবা হৌরকপগী ১৪শুবা মিনটতা ন্যু ৱাংপরেলগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। তাম্পীগী রেনগাননা আউন গোল অমা শান্নবগী ২৮শুবা মিনটতা চনশিন্দুনা ন্যু ৱাংপরেলগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা অলবাননা গোল ১গা হাপচিন্দুনা ন্যু ৱাংপরেলনা তাম্পীবু ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

মেটচ অসিদা রেফরি ফোলঙমনা ন্যু ৱাংপরেলগী শান্নরোয় ৩ অমদি তাম্পীগী ২ য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

# দুরান্দ কপকী মাংওইননা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচশিং শান্নখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): দুরান্দ কপ ২০২২গী কর্টেন রেজর ওইনা আই জি এ আর (সাউথ)কী লমজিং মখাদা মন্ত্রিপুখ্রি বট্টালিয়নননা শীন্দুনা তোঙান-তোঙানবা মফম অনী আর টি ফুটবোল টর্ফ গ্রাউন্দ অমদি পোলোই ফুটবোল গ্রাউন্দদা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচশিং নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখ্রে।

ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচশিং অসি ষ্টেট অসিদা হন্দক সিজনগী ওইনা ফুটবোলগী ফেষ্টিভেল হৌদোকপা অমদি অসাম রাইফলস ট্রুপশিংগা লোকল মীয়ামগা হেন্না অফবা মরী লৈহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

আর টি টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা ইম্পেক্ট টি ভি ফুটবোল ক্লবনা মরৈ ফুটবোল ক্লবপু মায়থীবা পীখি।

অতোপ্পা পোলোই টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা ৱাইতোন টিমনা ৱাইরি টিমবু মায়থীবা পীখি।

মেটচশিং অসি লোইশিল্লবা তুংদা শান্নরোয়শিং অমদি কোচশিং ওকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

# জিরিবামগী মেদল ফংলক্লবা কিক বোক্সরশিং তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): ৱাকো ইন্দিয়া কিক বোক্সিং ফেদরেসননা শীন্দুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোলকাটাদা লৈবা ইষ্টর্ন রেলৱে স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ১৯দগী ২৩ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৱাকো ইন্দিয়া চিলদ্রেন, কেদেট অমদি জুনিয়র নেসনল কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াখিবা জিরিবামগী মেদল লৌরক্লবা শান্নরোয়শিং অসি মৈতৈ নহা ক্লব (এম এন সী)না শীন্দুনা জিরিবামগী নিংথেম খুঞ্জাও কম্যুনিটি হোলদা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।




চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরগী পূন্না শান্নরোয় ৭৫না শরুক য়াবদা জিরিবামদগী শান্নরোয় ১৫ য়াওখিবগী মনুংদা গোল্ড ৫, সিলভর ২ অমদি ব্রোঞ্জ ৬ পূন্না মেদল ১৩ ফংবা ঙমখি।

গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি অশাংবম কোইরেং, ঙানবা লাইশ্রম, অলবর্ট অসেম, কুমাবম তোমথিনঙানবা অমদি অয়েকপম নুংশিতোম্বীনি। সিলভর মেদল ফংলকখ্রবশিং অদুনা য়ুহেনবী খাঙেম্বম, মোইরাংথেম ৱাংঙম্বীনি।

মোইরাংথেম ৱাংঙম্বীনা ব্রোঞ্জ মেদল অমগা ফংখিবগা লোয়নননা মোইরাংথেম ৱাংলেম্বী, কুমাবম চিঙ্খৈঙানবী, এম অমর্জিৎ, রোবর্ট সী দুলিয়ন অমদি ইরেংবম গেদরজিৎনা ব্রোঞ্জ মেদল অমমম্ ফংবা ঙমখি।

ষ্টেট টিম অসিগী জিরিবামগী ওইনা এম চনিংখোম্বী চনু, কে ঐচ বসন্ত অমদি ইরেংবম তাবুংনা টিম কোচ ওইনা শরুক য়াখি।

মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিং অসি ইটলিদা সেপ্টেম্বর ৩০দগী ওক্টোবর ৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকীদমক সেলেক্সন ফংলকপগা লোয়নননা চেম্পিয়নশিপ অসিগীদমক শেম শাখ্রে।

ওকপগী থৌরম অদুদা রিটায়র্দ টিচর কে ঐচ ব্রজমণি মৈতৈনা অথোইবা মীথুংলেন, মৈতৈ নহা ক্লবকী প্রসিদেন্ট এন জি অশোককুমার মৈতৈনা থৌরম মপূ অদুগা হান্নগী উপ-প্রধান ইঙুদম সংমোরনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা মৈতৈ নহা ক্লবকী প্রসিদেন্ট এন জি অশোককুমারনা কোচ ওইনা শরুক য়াখিবা সী ঐচ চনিংখোম্বী অমদি ইরেংবম তাবুং অনীবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারুরবা অমদি মেদল লৌবা ঙমহৌদ্রবা শান্নরোয়শিংবু তুংদা মায় পাক্না শান্নবা ঙম্নবগীদমক থৌনা হাপখিবগা লোয়নননা ইটলিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিংদসু য়াইফ থৌজাল পীখি।

# মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসননা এদহোক কম্মিটিশিং শেমখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসন (এম ও এ)না শীন্দুনা ওগষ্ট ২৬তগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২শুবা ষ্টেট গেমস (মণিপুর ওলিম্পিক গেমস)তা শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াবদা হেন্না খূদোংচানবা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিনা থা অসিগী ২৪দা ইমর্জেন্সি মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুং য়েৎনবা লৈতনা মীওই ২১না শাবা এদহোক কম্মিটিশিং শেমখ্রে হায়না এম ও এগী জেনরেল সেক্রেটরি সুনিল এলাংবমনা খূৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

এদহোক কম্মিটি অসিগী কবাদ্দি মশান্নগী ওইনা টি ঐচ জয়কুমারনা চ্যেরমেন, ইতো তোংব্রমনা কনভেনর অদুগা এ মুকুন্দো, দল্লিয়ু বিনোদ, ৱাই শরতচন্দ্র, এম কুমার অমদি ঈ সোভানা মেম্বর ওইখি।

ৱুশু মশান্নগী ওইবা বোবি ৱাইখোমনা চ্যেরমেন, কিরনকুমার থাংজমনা কনভেনর অদুগা এন ফোনি, এ জোন্সন, এস দেবেন, এম বিরমণি অমদি এন বালেশ্বরনা মেম্বর ওইনা খনখি।

কেনোইং এন্দ কয়াকিং অমদি রোৱিংগী ওইনা এল অজিৎনা চ্যেরমেন, টি দুসন্তনা কনভেনর অদুগা এস শ্যামকেশ্বর, এম অশ্নিকুমার, টি ঐচ নরেশকুমার, আর কে লোকেন্দ্রজিৎ অমদি এন রামেশ্বরনা মেম্বর ওইনা খনখি।

# মাষ্টর এথলেটিক চেম্পিয়নশিপকী ফোম থাবা হৌরগনি

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): ২শুবা মাষ্টর্স এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্নবগী ফোর্ম থাবা অমদি লৌশিনবা ওগষ্ট ৫দগী ৩০ ফাওবা ওইরগনি হায়না মাষ্টর্স এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপকী ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী কনভেনর এ চন্দ্রকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা শরুক য়ানিংবা মাষ্টর্স এথলিটশিংনা ফোর্ম লৌবা মতমদা মশা-মশাগী আধার কার্দ জেরোক্স কোপী অমা লোয়নরক্লবা খঙহল্লক্লি। ফোর্মগী মমল লুপা ৫০ অমদি এন্ট্রি ফীনা লুপা ৪০০ ওইগনি। ফোর্ম লৌবগী মফম্না খুমন লম্পাক্তা লৈবা মাষ্টর্স এথলেটিক্স এসোসিএসনগী ওফিসতগী অয়ূক পুং ৬তগী ৮ ফাওবগী মনুংদা লৌবা য়াগনি হায়রি।

# ইম্ফাল ইষ্টকী রোৱিং অমদি হোক্কীগী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসন (এম ও এ)না শীন্দুনা ওগষ্ট ২৬তগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২শুবা ষ্টেট গেমস (মণিপুর ওলিম্পিক গেমস)তা শরুক য়ানবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট রোৱিং এসোসিএসননা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ২৯দা খুমন লম্পাক রোৱিং কেনেলদা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এল ওদিটনা খঙহল্লক্লি।

ইম্ফাল ইষ্টকী শান্নরোয়শিংনা নুমিৎ অসিগী নুংথিল পুং ৩দা আধার কার্দকা লোয়নননা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

অমরোমদা, হোক্কী য়ুনিট ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা গেমস অসিগীদমক ট্রায়ল কেম্প অমা থা অসিগী ২৮গী অয়ূক পুং ৯.৩০দা খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি হায়না হোক্কী য়ুনিট ইম্ফাল ইষ্টকী সেক্রেটরি সেরাম সুর্জিৎ মৈতৈনা খঙহল্লক্লি।

# ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী আর্চরি ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসন (এম ও এ)না শীন্দুনা ওগষ্ট ২৬তগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২ শুবা ষ্টেট গেমস (মণিপুর ওলিম্পিক গেমস)তা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট রিপ্রজেন্ট তৌনবা নুপা অমদি নুপীগী ইন্দিয়ন, কম্পাউন্দ অমদি রিকর্ব রাউন্দগী ওইবা আর্চরিগী ট্রায়ল সেলেক্সন অমা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট আর্চরি এসোসিএসন লাংমৈদোংনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৮গী অয়ূক পুং ৬তা লাংমৈদোং প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা শরুক য়ানিংবা আর্চরশিংনা ট্রায়ল পাঙথোক্কদবা মফমদা মতম চানা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

# ফিফানা এ আই এফ এফকী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিদা ইমিনেন্ট প্লেয়র চাদা ২৫ য়াওহনবা পাল্লি

ন্যু দেল্লী, জুলাই ২৬ (এজেন্সী): সুপ্রিম কোর্টনা এপোইন্ট তৌবা কম্মিটি ওফ এদমিনিষ্ট্রেটরনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)গী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিদা চাদা ৫০ কো-ওপ মেম্বরশিং য়াওহন্নবা কন্সটিট্যুসন দ্রাফ্ট তৌরক্লিবা অসিগী মহৎতা ইমিনেন্ট প্লেয়র চাদা ২৫ এগজিক্যুটিভ কম্মিটিদা য়াওহন্নবা ৱর্ল্ড ফুটবোলগী গভর্নিং বোদি ফিফানা এ আই এফ এফতা রেক্কমেন্দ তৌখ্রে।

লৈবাক অসিগী স্পোর্টস চল্লাইরিবা সুপ্রিম কোর্টনা এপোইন্ট তৌবা কম্মিটি ওফ এদমিনিষ্ট্রেটর্সনা থা অসিগী ১৩দা ফিফাদা ফাইনেল দ্রাফ্ট কন্সটিট্যুসন থাখি। মদুগী পাউখুমদা ফিফা- এ এফ সীনা মখোয়গী ওবজার্ভেসন অমা অইবা চেরোল ওইনা এ আই এফ এফকী এক্টিং জেনরেল সেক্রেটরি সুনন্দো ধারদা হল্লকখি।

'দ্রাফ্টকী লোগী মতুংইন্না হান্না এসোসিএসনগী মেম্বর ৩৫ লৈরম্বা অসিগী মথক্তা ইমিনেন্ট প্লেয়র ৩৫ এ আই এফ এফ কোংগ্রেসতা হাপচিনগদবনি। ঐখোয়না শান্নরোয়শিংগী খোঞ্জেল তাবা মথৌ তাই অমদি ঐখোয়না এ আই এফ এফকী হান্না লৈরম্বা মেম্বরশিংগী থৌদাংশিংসু অরেম্বদা তাহন্নিংদে।' হায়না চেরোল অদুনা পল্লি।

'কোংগ্রেসষ্ট্রকচরদা চাদা ৫০ মেম্বর হাপচিনবা অসি অচূম্বা থৌওং নত্তে। ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা কুপ্না য়েংশিনবা মথৌ তাই।'

'ঐখোয়না খঙই ইন্দিয়াগী স্পোর্টস কোদতা মথৌ তাবশিং অদুনা এ আই এফ এফনা এগজিক্যুটিভ কম্মিটিদা ইমিনেন্ট প্লেয়র চাদা ২৫ কো-ওপ মেম্বর ওইনা য়াওহনগদবনি।'

ফিফা- এ এফ সীনা ফোঙদোরকপদা, মসিগী মতাং অসিদা এ আই এফ এফকী লেজিসলেটিভ বোদি অমদি সুপ্রিম ওইরিবা এ আই এফ এফ কোংগ্রেসনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী লো অসি কোর্টকী মতেং য়াওদনা তুংদা অহোংবা অমা পুরক্লবা শেমদোকপা মথৌ তাই হায়খি।

সুপ্রিম কোর্টনা এ আই এফ এফকী ইলেক্সন পাঙথোকপা য়ানবা থা অসিগী ২৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা হিয়রিংদা কন্সটিট্যুসন ফাইনেলাইজ তৌরবা য়ারি।

ভিলেজ ওপন ভোলিবোল হৌদোকখ্রে

# ঐচ ভি এনা অহৌবা নুমিৎতা মেটচ ২ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): কাংমোং লাঙ্গোলজম য়ুথস গাইদেন্স ক্লব (কে এল ৱাই জি সী)না শীন্দুনা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন ভোলিবোল টুর্নামেন্ট ঙসি কাংমোংদা লৈবা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা হৌদোকখিবগা লোয়নননা ঐচ ভি এ হৈক্রুজমনা অহৌবা নুমিৎতা মেটচ ২ মায় পাকখ্রে।

ঐচ ভি এনা অহৌবা মেটচতা ৱাই এম সীবু সেট ৩-২দা মায়থীবা পীখি।

ঐচ ভি এগী শান্নরোয়শিংনা অহানবা অমদি অনীশুবা সেটপু ২৫-২২, ২৮-২৬তা মায়থীবা পীরবা মতুং দল্লিয়ু এম সীনা ৩শুবা অমদি ৪শুবা সেটতা ঐচ ভি এবু ২৫-২২ অমদি ২৫-২০দা মায়থীবা পীখি।

টিম অনীনা সেট ২/২ কানরবা মতুং দিসাইদিং সেটকী শান্নবদা ঐচ ভি এনা দল্লিয়ু এম সীবু পোইন্ট ১৫-১১দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ঐচ ভি এনা ৱাই পি সীবু সেট ৩-২দা মায়থীবা পীখি।

মেটচ অসিদা ৱাই পি সীনা অহানবা সেটকী শান্নবদা ঐচ ভি এবু পোইন্ট ২৫-২২দা মায়থীবা পীখি। অদুগা অনীশুবা সেটতা ঐচ ভি এনা অমুক পোইন্ট ২৫-৮দা মায়থীবা পীদুনা সেট ১-১দা দ্রো ওইহনখি।

অহুমশুবা সেটকী শান্নবদা ৱাই পি সীনা পোইন্ট ২৫-২৩দা মায়থীবা পীদুনা সেট ২-১দা মাংজিল থাখি। মখা তাবা হৈক্রুজমগী শান্নরোয়শিংনা ৪শুবা সেটকী শান্নবদা পোইন্ট ২৫-১৭তা মায়থীবা পীরম্লবা মতুং দিসাইদিং সেটতা অমুক হন্না ১৫-৬তা ৱাই পি সীবু মায়থীবা পীখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা এন ৱাই ভি এ নাওরেমনা মিখিয়া ময়াং ইম্ফালবু সেট ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

ময়াং ইম্ফাল টিমনা অহানবা সেটকী শান্নবদা নাওরেম টিমবু পোইন্ট ২৫-২১দা মায়থীবা পীখি। মতুং তারকপা সেট ৩দা নাওরেম টিমনা ময়াং ইম্ফাল টিমবু ২৫-১৫, ২৫-২১ অমদি ২৫-২১দা মায়থীবা পীখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা কে এল ৱাই জি সীনা ৱাই দি সীবু ষ্ট্রেট সেট ৩-০ (২৫-১৪, ২৫-২০ অমদি ২৫-১৩)দা মায়থীবা পীখি।

দি সী এলনা ঐচ ৱাই দি ওবু সেট ৩-২ (২২-২৫, ২৩-২৫, ২৫-১৫, ২৫-২৩ অমদি ১৫-১৩)দা মায়থীবা পীখি।

সৈদ্রেংম
WANTED
☞ One Dentist (B.D.S)
☞ One Nurse
☞ One Attendant
Please Contact : 7630050320
HL-P/3332/24,25,27

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 526

IM Gupta Sankalp (2468) - FM Aaron Alonso Garcia (2367)
2nd Magistral Barbera Barbera del Valles ESP, 2021.11.24

| | | |
|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 e6 | 3.d4 cxd4 |
| 4.Nxd4 Nc6 | 5.Nc3 Qc7 | 6.Be3 a6 |
| 7.a3 b5 | 8.Nxc6 dxc6 | 9.Qg4 e5 |
| 10.Qg3 Nf6 | 11.Be2 h5 | 12.f4 Bg4 |
| 13.fxe5 Bxe2 | 14.Nxe2 Ng4 | 15.Bf4 Bc5 |
| 16.Rf1 g5 | 17.Bxg5 Rg8 | 18.Bh4 Qa5+ |
| 19.c3 Qa4 | 20.e6 f6 | 21.Qc7 Ne5 |
| 22.Bxf6 Rxg2 | 23. ... | |

QUESTION :
White to win

Puzzle 525 Ans. :
32. ...Re1 33. Rxe1 Bf5+ 34. Re4 Bxe4+
34. ...Qxd1+
35. Qc2 Qxc2# Damiano's bishop mate
35. ...Bxc2+
32. ...Re1 33. g4 Qxd1+
0-1

ADMISSION OPEN [2022-23]
in top ranking Universities & Institutions in INDIA/ABROAD
Courses
B.Sc. Agriculture
B.Sc. Forestry
B.Sc. Horticulture
B.Tech (Food Tech.)
Courses
MBBS (India & Abroad)
Clinical Psychology
BPA (Performing Art)
Courses
B.Tech. (All streams)
BAMS (Ayurvedic)
BHMS (Homeopathic)
BNYS (Yogic Science)
(NEET not required)
Courses
Nursing
D.Pharm, B.Pharm, M.Pharm, Pharm D
BBA (ACCA/CMA Certification),
BBALLB, Hospitality, MBA
SPECIAL SCHOLARSHIP SCHEME
FOR MERITORIOUS STUDENTS
For details please contact @
ACCENT CAREER SOLUTION
Konjeng Hajari Leikai, Tiddim Road, Imphal West
above Khaddim's Show Room opp. Sangai Express
Phone : 8837454543
HL-P/1373/13 to 10 alt.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com